No. 6/19/2017-RD(MC)/PMAY-G
SECRETARIAT : RURAL DEVELOPMENT AND PANCHAYATI RAJ DEPARTMENT
GOVERNMENT OF MANIPUR

# নোটিশ (খংহঞ্জবা)

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর তাং ১২, ২০১৭

প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা গ্রামিন (পি এম এ ৱাই-জি)

খুঙ্গংশিংগী থৌবুরেল। গ্রাম পঞ্চায়েৎ/মীয়ামদা পীবা পাউজেল

(১) ভারত সরকারনা লাক্লিবা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা য়ুম-কৈ লৈজদবা মীপুম খুদিংগী য়ুং শানবা পান্দম থমলি। হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ১ দগী হান্না ইন্দিরা অৱাজ য়োজনা হায়না খংনরম্বদু প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা-গ্রামিন হায়না খংনরগনি।

(২) অনিশুবদা পি এম এ ৱাই-জি হায়রিবা স্কিম নত্রগা থৌরাং অসিগী মখাদা য়ুম শাজনবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরিবশিং অদু সোসিও-ইকনমি কষ্ট সেন্সস-২০১১ কি মনুংদগী খনগনি। মশাগী য়ুম লৈজদবা নত্রগা য়ুম অমগী কা অমদা পুল্লবা লৈবা নত্রগা কা অমা অনিদা লৈবা য়ুমদা ইমুং মনুং লোইনা লৈমিন্নবা লোয়ননা য়ুমশিং অদুগী য়মথক অমদি ফক্লাং নিংথিনা খাদবা মীওইশিংগী য়ুমশিংসু কাষ্ট সেন্সসকি মতুং ইন্না ভারত সরকারনা লেপ্পা য়ুম শাবগী খুদোংচাবা ফমহনগনি। অদুবু পুন্নমক অসি স্কিম অসিগী চৎনপথাপকি মতুং ইন্নদি পাংথোক্কনি। লোয়ননা শাগদৌরিবা য়ুমশিং অদু মীশিং অদুগী ফিভম অমসুং অহান অকোন নাইনা তৌগনি। গ্রাম-পঞ্চায়েৎ খুদিংমক্তা লৈবা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব, অদর্স অমসুং মাইনোরিতিশিংগী ওইনদি মখোয়গী তোঙানবা প্রাইওরিতি লিষ্ট অমা থমগনি।

(৩) অহুমশুবদা য়ুম শানবগীদমক্তা খনগৎলবা মীশিং অদুগী লিষ্ট অদু মরি লৈনবা গ্রাম পঞ্চায়েৎ, খুনগী থৌবুরেল নত্রগা খুল্লাকপদা য়েনথোক্কনি। মসিগী মতুংদা গ্রাম সভা নত্রগা ভিলেজ ওথোরিগী মফমদা শিন্নদুনা অচুম চুমদা লেপথোক্কনি।

(৪) ভারত সরকারগী য়ুম লেপ্পা শানবগী থৌরাং অসিগী ই-পাউশিং অসি বি. দি. ও.শিংনা প্রধান অমসুং ভিলেজ ওথোরিশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱা-তান্নরবা মতুংদা মীপুম শিন থুংনা খংনবা রেদিও, টিভি অমসুং খবর কাগজচিংবদা ফোংদোক্কদবেনি। লোয়ননা য়ুম লৈজদবা মীশিং অদু মশক খংদোক্লবগী থৌরাং অদুসু বি. দি. ও., প্রধান অমসুং ভিলেজ ওথোরিতিগী মীফমদা মপুং ফানা খন্নদুনা মীয়ামদা খংহনগদবনি। অকোনবদা য়ুম শাবীনবগী গ্রাম সভা অমসুং ভিলেজ ওথেঅরিতিনা মাগী মাগী এরিয়াদগী খনগৎলবা মীশিংঅদু বি. দি. ও. না শিন্দুনা মমীং মথানচিংবা লিষ্ট অমা শেমদুনা নুমিৎ ৭ চুপ্পা থেৎলগা থমগদবনি।

(৫) য়ুম শানবগী খনগৎলবা মীশিং অদুগী মতাংদা কনাগুম্বনা য়েৎনিংবা লৈরগদি নুমিৎ ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা বি দি ও দা য়েৎপা য়াগনি। য়েৎলিবা নত্রগা ৱাকৎলক্লিবা অদু বি. দি. ও. না তারবা মতুংদা দি সিদা রিপোর্ট অমা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীশিনগনি। অপিলেত কম্মিতিগা মকোক ওইরিবা দি. সি.না ৱাকৎ অদু তারবা মতুং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা ৱাকৎ অদুগী ৱারোইশিন পুরক্কনি।

(৬) করিগুম্বদা সোসিও-ইকনমি কাষ্ট সেন্সসকি মনুং চন্দবা অদুগা য়ুম কৈদি লৈজদবা মীশিংনা পি এম এ ৱাই স্কিম অসিগী গাইদলাইন মখাদা আপিলেত কম্মিতিদা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। অসিগুম্বা মখলগী পিটিসন অসি অপিলেত ওথোরিতিগী মকোক ওইরিবা দি সিনা গ্রাম সভা অমসুং ভিলেজ ওথোরিগী খুথাংদগী লৌশিনগনি। লোয়ননা মতৌ অসুম্না য়ুম শাবীনবা থাঙ্গৎলকপা ৱাফম অসি বি দি ও নত্রগা মরি লৈনবা ওফিসারনা হান্না য়েৎশিনগনি। করিগুম্বা এস ই সি সি গী মনুং চন্দবা মীশিংনা য়ুম শাজগে

হায়না থারক্লিবা দরখাষ্ট অদু চুপ্নে হায়না অপিলেত ওথোরিতিনা খংলবোইদি রুরাল দেবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়তি রাজ লোয়শংদা পীখৎকদবনি।

(৭) তরেৎশুবদা য়ুম শানবগী খনগৎলবা মীশিং অদু স্কিম অসিগী মখাদা লাখ ১.৩০ ফংগনি। মসিগী মথক্তা লুপা লিসিং ১২,০০০ অমসুং শেল চংদনা শাবা য়াবা অমাংশং অমা শানবা শেনফমসু এম জি এন আর জি এস স্কিমদগী ফংগনি। লোয়না লোয়নননা করিগুম্বা সরকারগী শেন্থুং মখাদা লেপ্পা য়ুম শাবগী খুদোংচাবা ফংলিবা মী অদুনা মশানা য়ুম অদু শাজরবদি নুমিৎ ৯৫ গী চাংদা পারগা লুপা লিশিং ১৯,৩৮০/- অমসু এম জি এন আর ই জি এস স্কিমদগী ফংগনি। মতৌ অসুম্না মী অদুনা মাগী য়ুম শানবগী সরকারদগী ফংগদৌরিবা অপুনবা শেনফম অসি মখাগী অসিনি Rs. 1.30 lakhs + Rs. 0.12 lakhs + Rs. 0.19380 lakhs = 1.61380 lakhs নি।

(৮) শেনফম (Rs. 1.30 lakhs) অসি Beneficiaries শিংদা মখাদা পীরিবা য়ুম শাবগী তাঙ্কক অসিগী মতুংইন্না থাদোকচগনি।

| সে:নং: | য়ুমগী তাঙ্কক | পৈশা থাদোকপগী তাঙ্কক | শেনফম |
|---|---|---|---|
| ১। | য়ুম Sanction তৌবা মতমদা | অহানবা তাঙ্কক | Rs. 48,000/- |
| ২। | Plinth Level লোইবগী তাঙ্কক | অনিশুবা তাঙ্কক | Rs. 42,000/- |
| ৩। | Lintel Level লোইবগী তাঙ্কক | অহুমশুবা তাঙ্কক | Rs. 40,000/- |
| | | অপুনবা - | Rs. 1,30,000/- |

অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা শেনফম থাদোকত্রিঙৈগী মাংওইননা মরী লৈনবা Official শিংনা Guideline গী মখাদা নিতি চুম্না য়েংশিল্লবা মতুংদা Direct Benefit Transfer (DBT) গী খুথাংদা থাদোক্কনি।

(৯) অমরোমদা শাগদৌরিবা য়ুমশিং অদু খং হৈরবা অমসুং ত্রেনিং ফংলবা য়মশাবশিংগী লমজিং মখাদা শাগনি। লোয়ননা দিষ্টিক্টশিংদসু অহৈবা য়ুমশাবশিং অসি মতেং পাংহনগনি য়ুমশাবা ত্রেনিং তৌবগী থবক্তা ভারত সরকারনা শকখংলবা এজেন্সিনা তৌগনি।

(১০) ব্রাফম অমনা য়ুম লেপ্পা শানবা ভারত সরকারনা শেল পীথদ্রিঙৈগী মমাংদা মখোয়গী হান্নগী য়ুংশিং অমদি নৌনা সরকারগী শেন্থুং মখাদা শাগদৌরিবা য়ুমফমশিং অদু জিওতেগ ফোতো লৌদুনা য়েংগনি। অমদি ভারত সরকারনা শাগদৌরিবা য়ুমশিং অদুগী শেনফমসিং খুদেংচাবা ফংলিবা মীশিং অদুগী বেঙ্ক একাউন্তা হাপচিনগনি।

(১১) PMAY-G গী মখাদা চহি-চহিগী ওইনা চাওরাক্লা য়ুম কয়াম শাগনি হায়বা মখাদা পীজরি।

| চহি | ২০১৬-১৭ | ২০১৭-১৮ | ২০১৮-১৯ | ২০১৯-২০ দগী ২০২১-২২ |
|---|---|---|---|---|
| য়ুমশিং | ৯৭৪০ | ১৫৩৯৮ | ১৫৩৯৯ | ৯০০০ (চাওরাক্লা) |

(১২) য়ুম শাবদি য়ারবা অদুবু SECC-2011 গী List তদি য়াওদ্রবা মীওইশিংগীদমক্তা PMAY-G গী মখাদা য়ুম শাবা য়ান্ননবগীদমক্তা Deputy Commissioner না মকোক ওইবা Appellate Committee গী মমাংদা পুথোক্লবা DC নত্রগা মরি লৈনবা Authority শিংদা Beneficiary অমা ওইনবা দরখাস থাবা য়াগনি। Central Government ন্না মতিক চারবা Authority দগী অয়াবা লৌরবা মতুংদা হায়রিবা মীওইশিং অসি মথংগী চহিদা PMAY-G গী মখাদা য়ুম শাবা য়ারগনি।

Kapajit

**(M. Kapajit Singh)**
Under Secretary (RD&PR)
Government of Manipur

---